# ১৪ শুবা রুপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিয়েল দ্রামা ফেষ্টিভেলদা অহানবা ফঙখ্রবা খেঞ্জোংলাংগী ‘মেত্রিক পাস’

একেন সিজগুরুময়ুম

খেঞ্জোংলাং ব্রাঞ্জোনা হন্দক রুপ মহল থিয়েটরনা শিন্দুনা দিসেম্বর ১৪ দগী ২৮ ফাওবা থিয়েটর কাংলুপ ১৪ না শরুক য়াখিবা ১৪রক শুবা রুপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিয়েল দ্রামা ফেষ্টিভেলদা অহানবা মনা ফংবা ঙমখিবা প্লে অসি দ্রামাগী লমদা অমদি অইবা অমা ওইনা মীয়াম্না শকখঙনরবা লৈখিদ্রবা জি সি তোংব্রানা ইরম্বনি। জি সি তোংব্রা থিয়েটরগী লমদা মীয়াম্না শক খঙবা মীশক অমনি। মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা মণিপুরী ফিল্ম খুথাং লমজেল কৌবা অমা পুথোক্কুনা মীয়ামদা খুদোল তম্লম্মী।

জি সি তোংব্রানা ইরম্বা ‘মেত্রিক পাস’ হায়রিবা প্লে অসি ঙল্লিঙৈ মতমদা মণিপুরদা মেত্রিক পাস তৌবা মীওই মশিং থিবা য়ারিঙৈ মতমদা লৈরম্বা মওং অদুগা মণিপুরগী মপাল লমদা লৈরিবা কলচর অমদি মখোয়দা হোংলক্লিবা কয়া অদুবু তোৎশিন্নদুনা ইরম্বা প্লে অমনি। প্লে অসি মহাক্না ইবতা নত্তনা মশা মক্না দিরেক্সন পীদুনা মণিপুরদা ঙল্লিঙৈ মতমদা উৎখ্রবা প্লে অমসুনি।



খেঞ্জোংলাংনা হন্দক্কী ফেষ্টিভেল অসিদা জি সি তোংব্রানা ইরম্বা অমদি মশা মক্না দিরেক্সন পীদুনা মীয়ামদা উৎখ্রবা প্লে অসি অমুক য়াম্না অনৌবা মওংদা উৎপা ঙম্বগা লোয়ননা ফেষ্টিভেল অসিমক্তদা অহানবা মনা ফংবা প্লে অমা ওইখি।

প্লে অসিদা অইবনা থল্লম্লিবদি লুখ্রাবী মচা অমনা মণিপুর ব্রাংমদা মেত্রিক পরিক্ষা থাবা চৎখিবা, মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা লুখ্রাবী মমানা মীঙোন্দগী মচাগীদমক শেল পুদুনা থাবা অমদি থারিবা শেল অদুবু মপান্দা লৈরিবা মচা অদুনা নুংঙাইথোক্কুনা মতম লেনবা কয়া অদুদা য়ুমফম ওইবগা লোয়ননা মেত্রিক পাস তৌবা মীদা নত্রবদি য়ুম পাল্লোই হায়না লৈরম্বা ইমুং অদুগী মচানুপী অদুনা মমৈথংদা নংহৌরিবা অব্রাবা কয়া অদু ফোঙদোক্কুনা ইরম্বনি। মেত্রিক পাস তৌবা নত্রবসু মতম অদুদা অহল লমননা হায়না শিনদুনা লৈবনা হেন্না ফৈ হায়বসু ফোঙদোকপা প্লে অমনি।



প্লে অসি খেঞ্জোং লাংগী দিরেক্টর ওইরিবী মণিপুরগী অহানবা নুপীদা নেস্নেল স্কুল ওফ দ্রামাদগী গ্রেজুয়েট লোয়রগা মণিপুরদা হল্লক্কুনা প্লে কয়াদা চাওনা অহোংবা পীরিবা থানিল লৈমনি। থানিল লৈমনা জি সি তোংব্রানা থল্লম্লিবা ব্রারি পরিং অদু কাইদনা য়াম্না নীংথিজনা অনৌবা মওংদা পুথোক্কুনা অয়েংবা ভাবকশিংবু পুক্লিং মকা লাম্না নোকহনখিবা অমদি জি সি তোংব্রানা শিজিন্নরম্বা দাইলোগশিং অদু ওন্থাপ ওনশিন তৌদনা পরিং নাইনা উৎপদা মীয়াম্না পাম্নবা প্লে অমা ওইখ্রে হায়বসিদি ফেষ্টিভেলদা পীরক্লিবা রিজল্ট অসিনা তাক্লি।

প্লে অসিদা প্রতাপকী রোল লৌরিবা এস চিংলেনঙানবা (লালু) থিয়েটরগী লমদা হৌরকপা মতমদা মখল মখা কয়াগী আর্ট ফোমদা শরুক য়াদুনা লাকখিবা ইনখৎলক্লিবা আর্টিষ্ট অমনি। ঙসিদগীনা চহী ৮ লোমগী মমাংদা মহাক্না এক্ট তৌবা মাইন প্লে অমা য়েংখ্রে। এক্টর অসি মাইন প্লে অদুদা য়াম্না নীংথিনা এক্ট তৌখিবা অদুনা মরম ওইরগা প্লে অসিদসু মহাক্না হৈজরকপা মাইন প্লেগী মতাং অমা য়াম্না নীংথিনা হাপ্তুনা মকা লাম্না নোকহনখি। তুংদসু এক্টর অসি তোঙান তোঙানবা আর্ট ফোমশিংদা খোংদারকপা য়াই। মহাক্না প্লে অসিদা এক্ট তৌদ্রিঙৈগী মমাংদা মণিপুরী ফিল্ম অহুমদসু মপুং ওইবা রোল লৌদুনা এক্ট তৌখ্রবা এক্টর অমসুনি। লালু প্লে অসিদা নীংথিনা এক্ট তৌরগসু মহাক্না লৌরিবা কেরেক্টর অদু মপুং ফানবা হোৎনরিঙৈদা দাইলোগ দিলিভরিদা অশোয়বা খরা য়াওই। মসি তুংদা থোক্তনবা চেকশিনবা চুমগনি। প্লে অসিগী মপুং ওইবা রোল লৌরিবা এক্টর অমনা দাইলোগ দিলিভরিদা চেকশিন্দবা অসি কম্পিটিসন ওইবনা হেন্না চেকশিনগদবনি। মতুংদসু অসিগুম্বা অসি থোক্তনবা থা অমরোমগী মমাংদগী এক্টরশিংনা এক্টিং এরেনাদা চঙদ্রিঙৈদা প্লে অদুগী দাইলোগ হান্না চিনফা পুবা চুমগনি।



প্রতাপকা হায়না শিংনদুনা লুহোংলিবী থারিকথা (অপনা) সু য়াম্না নীংথিনা এক্ট তৌখি। মহাক হান্না উন্নখিবা লৈখি অদুবু প্লে অসিদা মহাক্কী এক্ট অদু য়াম্না ফজৈ। লৌরিবা রোল অদুগা চুশিন্নে। থারিকথাগী মপুং থেম্বুং শাখিবা টি ঐচ কৃষ্ণসু হান্না খঙনখিবা লৈতে। মহাকসু প্লে অসিদা থারিকথাগী মবুং য়াম্না পংজবা অমা শাবা অদু য়াম্না চুশিন্নে। মিস মণিপুর শাখিবী রেবিকাসু নীংথিনা এক্ট তৌখি। লোয়ননা প্রতাপকী মমা শাখিবী সন্ধ্যারানিসু নীংথিনা এক্ট তৌখি অদুবু তোমাল শাখিবা অয়েংবা ভাবকশিংদা হেমন্তদি মহাক্না শারিবা কেরেক্টর অদুদা চুশিন্নবা ঙমদে। নহা ওইরিবা আর্টিষ্ট অমা ওইবনিনা মতুং তারকপদা নীংথিনা এক্ট তৌহন্নিংই। থারিকথাগী মপা থম্বৌ শাখিবা ব্রাই সদানন্দা সিন খরতমক থোক্লবসু মহাক্না তৌরিবা এক্ট অদুদা নীংথিনা চুশিন্নে হায়বা য়াই। মপুং ওইনা য়েংবদা ‘মেত্রিক পাস’ হায়রিবা প্লে অসি এক্টর অমমমতা ওইনা থাগৎত্রবসু এক্টরশিং অদুনা পুন্না ফোম তৌদুনা শেমজিনদুনা শান্নখিবা মায় পাক্লবা প্লে অমা ওইখি।



প্লে অসিগী মপুং ওইবা থৌদাং লৌরিবা দিরেক্টর থানিল লৈমনা য়াম্না অনৌবা মওংদা মহাক্কী ওইবা ক্রিয়েটিব ফোম অমা প্রতাপকী ব্রাখলদা ফাওবা অদু মীয়ামদা নীংথিনা ফোঙদোক্লবা হোৎনবদা সেদো ইমেজ খরা শিজিন্নে। মহাক্না শিজিন্নরিবা সেদো ইমেজশিং অদুনা প্লে অসিবু য়েংলিবা মীওইশিংদা তোপ তোপ্পা মহাও অমা পীবা ঙমখি। 

মহাক্না শিজিন্নরিবা মওং অসি য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা ইরম্বা প্লে অদুবু য়াম্না লায়বা মওংদা লাইটকী মতেংনা নৌথোকহন্দুনা বোল দান্সকী সিন খরা প্রতাপকী ব্রাখলদা য়াওরিবা অদু মীয়ামদা নীংথিনা উৎথোকপা ঙম্মী হায়বা য়াই।





Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal, Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,